# ‘ঐখোয়গী বাজি কাঙ্খদা লোৎতে-!’

- এল ইবোমচা -

কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈশিংদা অতম্বনা য়াম্না কন্না লান্দাবা হৌরকপা ঙল্লিনৈদা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অসামদা পাঙথোকখিবা থৌরম মফম অমদা মণিপুরদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোক অসি মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তানবগা মরী লৈননা মণিপুর হায় কোর্টনা পীরকপা ভর্দিক্ট অমনা থোকহল্লকপনি হায়না ৱাখলনা শারগা লাউথোরকই। নুমিৎ খরনিগী মতুং মে ২৯দগীনা মে ৩১, ২০২৩ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ ইম্ফালদা লৈথদুনা ষ্টেট অসিগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা মণিপুরগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে উনরগা গভর্ণরনা লুচিংবা পিছ কম্মিটি অমা শেম্মনবা য়াথং পীরম্মী। য়াথং অসিগী মতুংইন্না গভর্ণরনা লুচিংবা ষ্টেটসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং, এদ্যুকেসনিষ্টশিং, সোসল ৱার্কর, আর্টিষ্ট, লিটরেচরগী মীওইশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীহুৎশিং পূন্না মমিং-মথাশিং য়াওবা মীওই ৫৩না শাবা পিছ কম্মিটি অমা অথুবদা শেম্লম্মী। অদুবু পিছ কম্মিটি অদুদা য়াওবা মীওই অয়াম্বা মশা খঙহল্লমদনা মমিং হাপ্লম্মী হায়বগী ৱাহৌদগী অমা তোকখি, অনী তোকখি, মথং-মথং অসুম তোক্লখিদুনা পিছ কম্মিটিদু কায়খ্রে, ফাগি তারগা তোকখ্রে। অদুগা হোম মিনিষ্টরনা জুন ১দা ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম খরা অমসু লাউথোরকখি মদুদি ‘সূ’ গী কাঙলোন থুগাইরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ১০/১০ পীগনি, ময়ূম-মকে মৈনা চাকখ্রবা অমদি অশোক-অপন নংখ্রবশিংদা তোঙানবা পেকেজ অমা সেন্টর গভর্ণমেন্টনা য়েংশিল্লগা লাউথোক্লগনি, সেন্টরনা অৱাবা তারবা ষ্টেট অসিগীমক খল্লগা চেঙ মেট্রিক টন লিশীং ৩০ পীরগনি, চৎথোক-চৎশিন তৌনবা হেলিকোপ্টর সর্ভিস থল্লগনি, খোঙশাং রেলৱে ষ্টেসন ফাওবা মণিপুর মীয়াম চানবা চীঙ্গাক পুশিল্লক্লবা শিল্লগনি, লোয়ননা লান অসি কনানা অহানবদা হৌই, কনানা চুম্মী, কনানা লাল্লি খঙনবা এজেন্সী অমনা থিগৎহনগনি অদুগা নুমিৎ ১০নিগী তুংদা ইম্ফালদা লাক্কে হায়রম্লগা অমুক হন্না লাকপীখিদ্রে, মৱা মপাউ তাখিদ্রে।

তাঞ্জা অসিমক্তদা এস এস হাওকিপ হায়না কৌবা কুকি মিলিটেন্ট অমগী লুচিংবা অমনা ইন্দিয়া লৈঙাকগী মথক্তা হৌজিক পাল্লিবা মণিপুরগী শ্রী এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অমসুং দেল্লী লৈঙাক অনীমক লিংনবা হোৎনবদা কুকি লালহৌবশিংদগী ইলেক্সনগী মতমদুদা লৌরুবা মতেং অদু থৌরকপগা তান চানখি। অসিনা মরম ওইরগা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মণিপুর মীয়ামদা মমায় উৎপা ঙল্লোইদবদগী অমুক হন্না ইম্ফালদা লাকখিদবনি হায়নখিবা লৈ। অদুগা থৌরাং অসিদা ব্রোকর ওইরুবা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা সর্ম ফাওবা অনীরক হন্না অদুম লাক্ত্রে। মরমদি মণিপুরদা লৈরিঙৈদা উৎলল্লিবা ধপ অদুগা নুংদা তৌরল্লিবা অমোৎপা থবক মতাদুগা মখোয় অনীমকসিগী ইকায়বা ফৎত্রিবা ফাওবদি ইম্ফালদা লাক্কদবা মান্দ্রে।

মরক্তুদা মপানগী পাউচেশিং অমসুং টিভি চেনেল খুদিংনা মণিপুরদা কম্যুনেল রাইওট থোক্লে, মীতৈ-কুকি অনীগী মরক্তা কাঙলূপকী লান থোক্লে হায়দুনা মীকুপ কাংদ’মখৈ পাউগী হেদলাইন ওইনা খঙহন্দুনা লাউথোরকই। খরদনা মীশিং য়াম্বা মীতৈশিংনা মীশিং য়ামদবা কুকিশিংদা ওৎপী-নৈবীরে, ময়ূম-মকে মৈ থাবীরে, হিন্দু লাইনীং চৎপা মীতৈশিংনা খৃষ্টিয়ান লাইনীং চৎপা কুকিশিংগী চর্চশিং মৈ থাদোকপীখ্রে, হিন্দু অমসুং খৃষ্টিয়ান অনীগী মরক্তা অচৌবা লাঞ্জাও থোক্লে, সিভিল ৱার থোক্লক্কদবা মাল্লে হায়দুনা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া কয়াগী হেদ লাইন ওইদুনা লৈনবা মতমনি। তাঞ্জাসিদা থবক ফবা চেকশিনবা শারিবনি হায়দুনা অসামদা চর্চ মশীং থিবগী থবক কন্না চথুখি। মরমদি অসামদসু মীতৈ মশীং ওখাক য়াম্না লৈবনা অসামদা লৈরিবা চর্চশিং মৈ থাখিদনবা চেকশিল্লিবনি হায়নরকই।

মণিপুরদা ইথা-থাজদনা কুকিশিংগী মীশিং অঙকপা মওং অমদা খংহেন হেনগৎলকখিবা অসি কুমজা ১৯৯২/৯৩ নাগা কুকি অনীগী মরক্তা কাঙলূপকী থোকখিবা লান অদুগী মতুংদগীনি। হায়বদি লানফম অদুদা কুকিশিংনা নাগাশিংগী মখূত্তা য়াম্না চাউনা মায়থীবা নংবদগী মখোয়গী মীশিং য়াম্নবা থৌরাং পায়খৎচবা ওইনা মখোয়গা লোল, নাৎ, চৎনবী মান্নবা ম্যান্মারদগী কুকি ময়াম অমা কৌশিল্লগা পূন্না লৈমিন্নখিবা অদুননি।

অতোপ্পা অমনা ম্যান্মারদা মিলিটরি কূ হেক-হেক তৌবা খুদিংগী ম্যান্মারদা লান হৌরম্বা নার্কো কুকি মিলিটেন্ট ময়াম অমা মীচম শাদুনা চঙশিল্লকখিবা অদুননি। শম্না হায়রবদা কুমজা ১৯৯২/৯৩দা থোকখিবা নাগা কুকিগী লান নেমথখ্রবা মতুংদুদা নাগাশিংগী মখূৎতা শাথীনা মায়থীবা নংলবা কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংদা চঙ-চঙদুনা থুম্মোক্তা ফিগা ওন্নসি, চেঙগা ওন্নসি হায়দুনা লাকখিবদু ঙসিসু মীতৈশিংনা নীংশিংদুনা লৈরি। কনাগুম্বগী ইমুং খরদদি ফিরোল, চেঙ পীবগী মথক্তা খুদক্তা চাক-ঈশিং লাংলগা পীজনখি। মতম অদুদা মীতৈগী য়ূমদা লাক্লম্বা কুকিগী মীওইশিংদু ঙসি ফাওবা হিংলম্বা য়াওরম্বা থোক্লবদি করিগী মতৈশিংদা লান্দারিবনো হায়না ও! খোংব’খৈ কপ্পা য়াওরমগনি। মদুবু নীংশিংবা ঙমদ্রবদি মহাক মশাদু মী ওইরবসু মী নৎত্রে শানি হায়নীংই নৎত্রেগা লমদমসিগী অশেংবা কুকি ওইরল্লোই ফোরেন্নর (ম্যান্মার) কুকি ওইরম্বা য়াই। মরমদি মতমদুদা মীতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংনা হরাও-হরাওনা তৌবিখিবগী মতৌদুদা মপূক্লিং পেল্লবা কুকি নুপা, নুপীশিং অদুনা মরোলদু খোইরি-খোইরি তৌরদুনা ‘‘মীতৈ মপুক ফবশা!’ হায়না হায়রম্বা ৱাহৈদু হৌজিক ফাওবদা নাকোংদা নীন্দুনা লৈনরি। অদুবু ঙসিদি মায় পাক্লোইদবা লাঞ্জাও অমদা কুকিশিং অমত্তা ওইদুনা চপ মান্ননা লেপখিদুনা মীতৈশিংদগী লম মুন্ননবা অকনবা লান তাশিল্লক্লি।

লান অসিদা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জোরামথাঙ্গানসু মখোয়গা ঈগী মরী তিন্নে হায়দুনা থৌনা হাপ্পগী মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ফাওবা শীংনবা য়াওবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নখি। তৌবগীদি চিন কুকি জৌগী কাঙলূপ অসি পোপি থাবা, কানি শুংবা, হিরোইন পাওদর শুংবনচিংবা ফত্তবা থবকশিং অসিদনা মখোয়গী অশেংবা শিনফম ওইমিন্নবনা মতেং পাংনবা ওইরম্নি। মখোয়না শাথীবগী চাংসি কয়ামুক য়াম্না ৱাংবগে হায়রবদি মখোয় মশেল ওইরবদি অফবা থবক, ফত্তবা থবক হায়বা অমমুক খায়দে, লিংজেল চপ মান্নবা অদুননি। এনি কুকিবু ওইরবদি ঈগী মরীনি হায়দুনা মতেং পাংনবা মখোয়গীদি মরমচৎনি।

ঙসিদি মীতৈশিংগী অমত্তা ঙাইরবা অপূনবগী খোল্লাওদি মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহল্লসি হায়বসিনি। মরমদি হন্দক্কী লান অসি কাঙলূপকী লান নত্তে, ধর্ম্ম (হিন্দু অমদি খৃষ্টিয়ান) গী লান নত্তে, মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তানবদা মণিপুর হায় কোর্টনা পীরকপা ভর্দিক্ট অমনা থোকহনবা লান নত্তে হায়বসি খঙবা অদুননি। অদুবু হন্দক্কী অসিদি নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংদা অসাম রাইফলসনা বেক তৌরগা কুকিলেন্দ শেম্নবা নারোন্দা লান্দারকপনি হায়বসি খঙবননি। অসাম রাইফলস হেক হন্দোকখিবদা লান লোইরে মীথিবোং মীতম্বালতনা তৌগদবা লান অমনি হায়বসি ইফোং ফোংই। মতাং অসিৱাইদা মীতৈশিংনা অসাম রাইফলসতা থৌরাংনা হংনীংলিবা ৱাহংদুদি ম্যান্মার চিন কুকি নার্কো মিলিটেন্টশিংনা কুকিলেন্দ শেম্নবা ইন্দিয়া মনুংদা লান্দারকপদা অসাম রাইফলসনা চাউনা মতেং পাংনীংলিবসি করি মরম লৈবগীনো হায়বসিনি।

থাঙ্গে শেংনা হংদা হংলুরগসু কুকিশিংদা ঐখোয়না মতেং পাংবা লৈতে হায়দুনা ইরায় লায়না হেক্তা মখুল্লকই। অদুবু এ সী অমগী ইকায়খুম্নজরবা এম এল এ অমনা মীনা ঙাঙনরিবা অসিবু চুম্ব্রা অমসুং চুমদব্রা হায়বদুগী য়েংশিনবা খোঙচৎ অমা ঙাইহাক লৈতনা ইতৎ তত্তনা কুকিশিংনা লান্দারকপা মফম অমদা মহাক্কী এস্কোর্টশিংগা লোয়ননা অসাম রাইফলসকা পূন্না লৈমিন্নব্রা হায়দুনা মফমদু য়ৌনা চংশিল্লুই। অদুবু অসাম রাইফলসকী জৱান নত্তনা খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্ট অমা ফাওবা লৈরম্বা থেংনরক্তে। মতমদুদা অসাম রাইফলসকী জৱান অমদা এম এল এ অদুনা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা নখোয়গা পূন্না-পূন্না লৈমিন্নে হায়নরিবসি চুম্ব্রা হায়না হংই - ‘চুমদে মফম অসিদা কুকি খূৎলায় পায়বা অমত্তা লাক্তবনা লৈমিন্নদে অদুবু মখোয়না পুরকপা চাক এঞ্জাংদি চাই’ খুল্লকই। পাউখুম অদু তাবদুদা ইকায়খুম্নরবা এম এল এদু শুমাং লীলাদা য়াওবা ‘ঐখোয়গী বাজি কাঙ্খদা লোৎতে!’ হায়বদু নীংশিংলকপা মাল্লি নোকফেৎ তৌখি। ●

# শান্তিদি লৈফম থোকপনি

মতম মতমগী
**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্ম**

মালেমসিদা লৈরিবা তাইবঙ মপূ লৈ হায়বা থাজবা মীপূম খুদিংমক্না লাই নীংবা ফত্তে হায়রোই। লাই নীংবদি অফবগী খুদমনি, মীওইবগী পূক্নিং ৱাখলবু শান্তি পীরিবা, লম্ফাংনবা তাইবঙদা লম্মাংনবা মীওইবু অচুম্বা লম্বী তাকপীরিবা শক্লোন য়াম্বা মঙোন্দা চঙজগদবনি। শকওং-শক্তম খেন্নরবসু তোঙান-তোঙানবা মিংলেন্দা কৌনরবসু মালেমসিদা শাইওল্লকখিবা দেবী-দেবতা নৎত্রগা লাইরেন্বী-লাইনিংথৌশিং অদুনা শান্তিগী পাউজেলনি পুরকখিবা। তোঙান-তোঙানবা মফমদগী চেন্থরকখিবা মশক মমিং মান্নদবা তুরেলশিংগী ইতিনফম সমুদ্রদা ওইবগুম ধর্ম্ম খুদিংমক্কী পন্থুংফমসু অমত্তনি। অরানবা তৌগনু অচুম্বনা মমৈদা জয় ওই হায়বসি ধর্ম্ম খুদিংমক্কী পাউজেলনি, মীয়াম্নসু য়ানরিবা ৱাফম্নি। ধর্ম্মনা পীরিবা পাউজেলশিং অসিবু ঙাক্না চৎলবদি মালেম অসি শান্তি লৈরোইদ্রা? লৈফম থোকপনি। লমদম অসিদা চৎনরিবা লাইনীং-লাইশোন খুদিংমক্কী থবক থৌরম কয়া ঙসিসু পাঙথোক্লরি। থৌরম অমত্তা লেম্না থাদোক্তে, য়াওশঙ, কাং, কৃষ্ণ জন্ম, বিশ্বকর্ম্ম পুজাদগী হৌরগা হিন্দু লাইনীংগী থৌরম খুদিংমক পাঙথোক্লরি। খৃষ্টমাস, গুদ ফ্রাইদেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকপগা লোয়ননা নোংমাইজিং খুদিংগী চর্চ কারল্লোইদবা খৃষ্টিয়ান অমত্তা লমদম অসিদা লৈরল্লোই। মীতৈ লাইনীংগীসু অদু মঙাই লাই হরাওবা, ইমোইনু, পান্থোইবী ঈরাৎ থৌনিদগী হৌরগা নাৎকী ওইবা য়েলহৌঙৈদগী চৎনরক্লিবা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লরি। মুসলিমশিংগীসু ইরাই নুমিৎ খুদিংগী মসজিদতা পূন্না নমাজ শোনবগা লোয়ননা লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লরি।

তৌফম থোকপনি, পূম্নমক অফবগী খুদমনি হায়না লৌবা য়াই। ধর্ম্ম খুদিংমক অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইবনি শান্তিগীদমক লিংবনি। অরানবা তৌগনু, ফত্তবা ঙাঙগনু, তোল্ল-তারবশিংবু মতেং পাংবীয়ু হায়বা বিশ্বপ্রেমদা মরু ওইবা মিৎয়েং থম্বা মহাপুরুষশিংনা হৌদোকপীরম্বনি। মীওইবনা মালেমদা খুন্দা লৈতারকপা মতমদগী লৈরক্লবা লাইনীং-লাইশোন কয়া ঙসিসু লৈরি, ধর্ম্মগী চৎন-কাঙলোন পূম্নমক কায়দনা পাঙথোক্লরি। লমদম অসিগী ওইনা য়েংলুরবসু মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা ধর্ম্ম কয়া ঙসিসু চৎনরি। মমাঙঙৈগা চাংদম্নবদা লাই নীংবগী চাং অসি ঙসিনবু হেল্লবরা হায়বা ৱাহং অমা য়াম্না তোয়না ফাওরকই। য়াম্না কূপ্না মরী লৈনবা দেটা কয়া কলেক্সন তৌদুনা সর্ভে অমা পাঙথোক্লুবমক নৎত্রবসু বজারদা, লৈকায়-লৈকায়দা, লম্বী সড়ক্তা অমদি য়ূম-য়ূমদা উরিবা শক্তমশিং অসি নৈনরুরগদি লাই নীংবগী চাং অসি হৌজিক্লা হেল্লে হায়দবা ঙল্লোই।

মমাঙঙৈদা লমদম অসিদা বজারদা লৈ য়োনবগী চৎনবী লৈরমদে। দেব-কর্ম্ম, ঈরাৎ-পুজানচিংবা তৌবদা চঙগদবা লৈশিং লৈনরমদে, লৈ লৈরগা লাইদা কৎপদা মহয় লৈতে হায়না লৌনবনা থৌরম অদুদা চঙগদবা লৈশিং লৈশাবী মচাশিংনা য়েন্দাই পায়দুনা লৈকায়দা লৈ থিবা চৎনরম্মী। অদুবু ঙসিদি লৈ থিবগী চৎনবী লৈত্রে, বজারদগী লৈনরে। মতম খরগী মমাঙদা খ্বাইরম্বন্দ বজারগী নম্বুল তুরেলগী তোৰ্ব্বান্দা লৈ য়োনবী অমা অনীখক ফম্বা উরম্বদু ঙসিদি লৈ য়োনবীগী মশীং হেনগৎলক্লে, লোয়ননা মফম অসি লৈ য়োনফম ওইনা খঙনরক্লে। খ্বাইরম্বন্দ বজার খক্তা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা বজারশিংদসু লৈ য়োন্নরে। মসিনা তাকপদি লমদম অসিদা লৈগী দিমান্দ অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়বনি। লমদম অসিদদি লৈ অসি লাইনীং-লাইশোন, দেব-কর্ম্ম অমদি ঈরাৎ পুজাদা শীজিন্নবনি। খা ভারত্তা নুপীশিংনা নুমিৎ খুদিংগী শমজিদা লৈ পরেং অমমম য়ানবগী চৎনবী লমদম অসিদদি লৈতবনা বজারদা য়োল্লিবা লৈশিং অসি লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিং অমসুং নুংতি নুমিৎ খুদিংগী য়ূম-য়ূমদা লাই খুরুম্বদা শীজিন্ননবনি। অদুননি ঙসি লমদম অসিদা লাই নীংবগী চাং হেনগৎলক্লুবরা হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লিবসি।

কালেন থাগী মতমদা লৈকায়-লৈকায়দা লাই হরাওবগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লরি, তম্পাক্কী লমদদি মতম অসিদা লাই হরাওদবা লৈকায় অমত্তবু লৈরল্লোই হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। লাই হরাওবা হায়বসি অয়ূক অঙনবদা য়াকাইরোল শক্তুনা হৌরগা অহিং অথেংবা ফাওবা লাইনীং-লাইশোন, লাইথৌ, লমদম অসিগী চৎনবী অমদি খুন্নাইসিগী ওইবা জগোয়, ঈশৈগা লোয়ননা পাঙথোকপা থৌরম অমনি। লমদম অসিদা লৈকায় খুদিংগী উমং লাইগী খুভমসু লৈ। থাংজ, নোংমাইজিং খুদিংগী থোঙ হাংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মাইবীনা লাইমাঙ ফমদুনা লাইপাউ চেনবা উমং-লাইগী শঙলেনসু লৈ। থাংজ নোংমাইজিংদা হৈকৎ লৈকৎ তমদ্রবসু চহী চহীগী ওইনা হরাও মথোই কাবা মতমদদি লাইথোঙ হাংদুনা হৈরুক কাদুনা ঈরাৎ থৌনিগী থৌরম পাঙথোকই।

খুনগী নৎত্রগা লৈকায় লৈকায়গী ওইনা লৈরিবা উমং লাইগী খুভমশিং অসিগী মথক্তা ঙসিদি য়ূম-য়ূমদা, ইঙ্খোলগী মতোন্দা নৎত্রগা শুমাংদা শঙলেন মচা-মচা শাদুনা ইবুধৌ-ইবেনধৌগী খুভম য়াজদুনা নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা ধুপ থাওমৈ কৎতুনা ঈরাৎচবগী চৎনবী অমসু চৎনরক্লি। ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা উগী ফর্নিচর য়োনবা দুকানশিংদা উনা শারগা তিন্না মথক কূপ্পা মীতৈ য়ূমগী মওং মানবা লাইশঙ মচা-মচা কয়া শেম শাদুনা য়োল্লিবা অসি য়েংলুরগদি য়ূম য়ূমদসু লাই লাৎতুনা ঈরাৎ পুজা তৌবগী চাং অসি হেনগৎলক্লি হায়না লৌবা য়ারে। লমদম অসিদা লৈরিবা মন্দিরশিংগী মথক্তা তম্পাক্কী লমদা খুন্দারিবা হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা য়ূম-য়ূমগী শুমাংদা তুলসি থাদুনা মহাদেবগী খুভম থমদুনা অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী খুরুমজবগা লোয়ননা য়ূম য়ূমদা দেবী-দেবতা কয়াগী মীত্তম নৎত্রগা ফোটো থমদুনা ঈরাৎনরি। মতম অমদা লৈঙাক্লম্বা অমদি হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্লিবশিংগা লোয়ননা মকোক থোংবা ওফিসরশিং য়াওনা মীওই কয়ামুকসু ঙসিদি লাইনীং-লম্বীদা চঙলক্লে, নোংঙানবগা লাইবক্তা চন্দন নৎত্রগা সিন্দুর নম্বা লুচিংবা কয়ামুকসু লৈরে।

পূম্নমক অসি য়েংলুরগদি লমদম অসিদা লাই নীংবগী চাং অসি হেনগৎলক্লে হায়না লৌবা য়াই, অফবা মওংনি, অদুবু ধর্ম্মদা থাজবা থল্লিবা মীওই কয়ানা অচুম্বা তৌরিবগে? কনা অমত্তনা উদ্রবসু অচুম্বা তৌ হায়বা মতম পূম্নমক্তা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফম অসি মীওই কয়ানা ঙাক্লা চৎনরিবগে? ঙসিগী ধর্ম্মগী লুচিংবশিংগী ৱাখল্লোন মনুং মপান নাইরল্লোইদ্রা? মশীং য়াম্লবা লমদম অসিদা চৎনরিবা লাইনীং-লাইশোন খুদিংমক্কী ওইবা থবক থৌরম কয়া ঙসিসু পাঙথোক্লরি। লাই নীংবগী চাংদি ঙসিনবু হেনগৎলক্লি হায়বা য়াই। মতম অমদা লৈবাক্কী ফম্নাইরম্বা, ৱায়েল থৌদাদা য়াওরম্বা মতম অদুদা অচুম-অরান য়েংদনা অল্লাউদিনগী লেম্প পায়বনি খঞ্জরম্বা মীওই কয়া কয়া অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা মন্দির, মসজিদতা, গির্জাদা অমদি তাইবঙ শেম্বা মপুগী মশাইকোন্দা চৎতুনা নুমিৎ খুদিংগী মমিৎতগী পি চদুম-চদুম তাবমখৈ লাই খুরুম্বসু ঙসিদি থেংনরে।

খুন্নাই অসিগী ধর্ম্ম খুদিংমক্কী থৌরমশিংদা মীয়াম হুপ্না শরুক য়ারিবা অহল ওইরক্লবা মতমদা লাই নীংবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি য়েংলুরগদি লমদম অসি শান্তি লৈফম থোক্তবরা? অদুবু ঙসি লমদম অসিদা মীচম মীয়ামনা লেল্লিবা পূন্সি মরেল অসি য়েংলুরগদি মরক্তা অশোয়বা, অহোবা খরদি লৈরে হায়বদা লাল্লরোই। মন্দিরদা ভজন কৃত্তন শকপা, মসজিদতা নমাজ তৌবা, চর্চতা প্রেয়র তৌবখক্তনা মৈগী চীংগুম্লবা মালেমসি ঈংথহনবা ঙল্লগদ্রা? তৌনীং-তৌনীংবতা তৌদুনা ধর্ম্মগী মগুণ হম্থরক্লিবা অসিসু তরায়না লৌবগী মতমদু ওইদ্রে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লাই নীংবগী চাংদি হেনগৎলক্লি। লাই নীংবগী চাং ৱাংবা মফমদদি মহৌশানা শান্তি লৈফম থোকপনি অদুবু লমদম অসিদা শান্তি লৈরবরা হায়বা ৱাহংগী অশেংবা পাউখুমদি নীংবা কায়নীংঙাইনি অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামসি তশেংনা লাই নীংবরা নৎত্রগা মালহনবরা নৎত্রগা লংশিঞ্জখিবা মরালগী পাপ কোক্লবরা হায়বা ৱাহংগী পাউখুম অমুক থিখিবা তারি। ●

# ঐখোয়গী আইদেন্টিটি মাঙখিদনবা হোৎনসি

## (ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা রিফ্যুজিনা মশীং হেনগৎলক্তুনা য়েলহৌমীনা মাইনোরিটি তাদুনা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি মাঙখিদনবা হোৎনসি)

- সৌবাম বিরধজ -

দেমোক্রেসিগী লৈঙাক হঞ্জিন-হঞ্জিন্না থুগাইবা/কূ তৌবগীদমক মালেমগী লৈবাকশিংনা মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গী মথক্তা সেঙ্কসন কয়ামরুম মথং-মথং থমজিল্লক্তুনা মায়োক্নরিবা বর্ম্মা/ম্যান্মার লৈবাক্লি। মালেমদা মীয়াম্না ভোট থাদদুনা লুচিংবশিং অমসুং মীয়াম্না খঞ্জবা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক বর্ম্মা/ম্যান্মার লৈবাক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না খোঙ্গোইনরি। দেমোক্রেসিগী লুচিংবী ওং-সান-সু-চি অমসুং পোলিটিকেল লুচিংবশিংবু ফাজিন্দুনা মতম কক্তনা জেলদা নমশিল্লিবনি। ওং-সান-সু-চি মশাদা ম্যান্মার থাদোক্লগা চৎখিনবা (করিগুম্বা লৈবাক থাদোক্লগা চৎকে হায়রবদি মরাল পূম্নমক কোকপীগে হায়না থেল্লিবনি) অদুম ওইনমক লুচিংবী অসিনা মরৈবাক থাদোকপগী ৱাফম শুকয়া য়াখিদে, শুংচৎ চৎলোই/চেল্লোই হায়রদুনা খাঙদুনা অদুমক লৈরিবনি। অসুম্না মশানা মশাবু প্রাইম মিনিষ্টর (এক্টিং) ওইনা লাউথোকচরিবা/খঞ্জরিবা মিন-আং-লেংনা ম্যান্মারবু লাকশিনবা ঙমগদৌরিবরা? মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনবা ঙমগদৌরিবরা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লে। বর্ম্মা/ম্যান্মারগী উমংগী পোখোক টিক অমসুং অঙাংবা চন্দন মরাং কায়না ফংলিবা লৈবাক অমনি অদুবু ফংলিবা উমংগী রিছোর্স পূম্নমক লৈঙাক্কী মখাদা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদবনা স্মগ্লরশিংনা খুদুম চল্লিবা, পাক্তক্লনা য়াম্থৎতুনা পোপি থাদুনা হিরোইন নম্বর ফোর শুংদুনা মালেমগী কৈথেলদা য়োন্দুনা এথনিক লালহৌবশিংনা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায় কয়ামরুম লৈশিন্দুনা মখোয়গী মপাঙ্গল শাগৎলিবনি। ম্যান্মারগী তম্মুদগী মণিপুরগী মোরে ফাওদুনা আইন্না য়াবা পোৎলমশিং পুরক্লগা ইম্ফাল, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা মহৌশাগুম করবার তৌনরল্লিবনি।

ম্যান্মারগী সিভিল ৱার অসিগী মতাংদা ইন্দিা লৈঙাক্তা পোলিটিকেল্লি ৱারী শানবা, মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গী মায়কৈদগী হৌদোরকখ্রে। খোঙথাং অদুবু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থাগৎলদুনা দেমোক্রেটিক ওইনা ৱারী শানদুনা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা ইহান হানবা খোঙথাং ওইনা হোৎনগদৌবনি হায়না হায়রিবনি। অমরোমদনা মণিপুর লৈঙাক্লা ম্যান্মারদগী লাঞ্জেন্নরকপা ম্যান্মার মচাশিং কিলোমিটর ১৬ ফাওবদি (ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অয়াবা পীবদগী) চঙহল্লম্বনি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মিজোরাম লৈঙাক্কী চে চাং পাবা (ম্যান্মার মচাশিং চেক তৌদনবা হায়বদুদি য়ারোই) মণিপুরগী বোর্দরদা চংশিল্লকপদি য়ারোই হায়দুনা মণিপুরগী সী এমনা অকনবা মীৎয়েং চঙখ্রে অমসুং চঙহনখিদ্রে। আই এল পি চ্যেক তৌননবা (এফ আর সী) ফ্রেস রিকগনাইজেসন সিষ্টম য়াওবা ভেহিকলস (সী এম সেক্রেটরিএট) তা মীফম পাঙথোক্তুনা দিসেম্বর ৮দা ম্যান্মারগা তাইনবা মণিপুরগী বোর্দরদা লোঞ্চ তৌখ্রে। মসুম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবফাওবা ঙমখৈদা (মোরেদা হান্নদগী খুন্দারিবা কুকি ফুরুপশিংনা শিন্দুনা কাঙলোন লান্না তূমিন্না চঙহল্লমগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্লা চীংনরিবনি)। শাশিন্নবা লোনা য়াদবা মওংদা তূমিন্না চঙশিল্লকপদি য়ারোই হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোকখ্রে। অসুম্না মণিপুরদা চঙশিল্লকপা ম্যান্মার মচা ৪১০ রোম ম্যান্মারদা অমুক হন্না হলহনখ্রবনি। অসুম্না চঙশিল্লম্বা ম্যান্মার মচা ২৫০০ রোমগী ফিঙ্গর প্রিন্ট লৌবা অমসুং মখোয়বু লৈঙাক্কী অখন্নবা রিফ্যুজি কেম্পতা লেঙদনা লৈহল্লিবনি। নাকল অমরোমদনা চাইনানদি মখোয়গী লমখৈ লানশিল্লক্তনবা অকনবা মওংদা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্তুনা ম্যান্মার মচাশিং চঙশিল্লকপবু অঙকপা ফংনা থিংলিবনি।

মণিপুরগী কুকি এথনিক কাঙলূপশিংনা মখূত্তনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল পায়রি অদুগা থম্মোয়নুংদনা গ্রেটর মিজোরাম (জালেঙম) গী মঙলান শাগৎলিবনি। অসুম্না হৌজিক হৌজিকমক ম্যান্মারদা চথরিবা লানফম অসিদা মণিপুরগা থংনরিবা সৈগাং রিজন্দা, রিজন্দুগী এথনিক লালহৌবশিংগা খূৎশম্নদুনা মিলিযরি জুন্তা (হুন্তা) গী মথক্তা অকনবা লান্দা চথদুনা সৈগাং রিজন্দবু খুদুম চনশিল্লিবনি। নাকল অমরোমদনা অদুগুম্লবা কুকি মিলিটেন্টশিংদুনা মণিপুরগী মায়কৈদসু লান্দারক্তুনা চীংখোঙ চীংয়াদা লমখৈ মুন্ননবগী লান্দা চথরক্লিবসিনি। অসিগুম্লবা মতাংসিদা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগী ফিরেপ অসি য়াম্না লুবা তানফম ওইরক্লিবনি। মীতৈ অমসুং কুকি অনীগী এথনিক কাঙলূপশিংনা অঙম তান্নদুনা হাৎন-শিনবা অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তদি মাঙজবা অমত্তা লৈতে। মখোয়গীদি ইন্দিয়া লাম্মীগা কাপনদ্রগা লোইরে, মখোয় মশেলশিং কাপ্পবদা নাকল অনীমক্কী মপাঙ্গল হম্থরক্লবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী তোংজবা ঙাক্তনি।

নাকল অমরোমদনা চাইনাগা ঙমখৈ তাইনরিবা শান ষ্টেটকী ম্যান্মার এথনিক কাঙলূপশিংনা লান তকশিল্লক্তুনা শান রিজন্দবু খুদুম চনশিল্লিবনি। হায়রিবা রিজন্দুগী য়েলহৌঙৈগী য়েলহৌমীশিংনা চাইনারোমদগী অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় কয়ামরুম পুশিল্লক্তুনা ম্যান্মারগী মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গী মথক্তা অকনবা লান্দা চথরক্লিবনি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা চাইনা লৈবাক্লা ঙমখৈদা পি এল এগী লান ঔরাইরিবনি হায়না পাউগী চেনেল অয়াম্বদা মোনিটর তৌরিবনি।

ঐখোয়না হায়নীংলিবদি, ম্যান্মারগী লমদমদা লমদমদুগী য়েলহৌঙৈ মতমগী য়েলহৌমী কাঙলূপ পূম্নমক্না দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবদুগুম অদুমক ম্যান্মার মনুংদা হোৎনজৌ/লান থেংনজৌ। মদুদি নত্তদুনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইজরিবা মীতৈশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঐখোয়গী চীংখোঙ চীংয়াদা খুন্দারিবা য়েলহৌঙৈ মতমগী য়েলহৌমীশিংগী লমখৈ মুন্ননবা লান্দা চথরক্লিবসি ওইথোক্কনি খল্লিবরা? ‘‘ষণ অতেবনা ৱাইরক্লবদি শরূ ফংই’ হায়নবদু খঙদবা শারিয়ে। চহী তরেৎ খুন্তাকপা মতমদা মতমদুগী মীতৈ অথৌবশিংনা ‘অরাম্বাই’ শীজিন্নদুনা অৱাশিংবু তানখায়খিবনি। মতমদুদগী পুনশিন্নখিবা মীতৈশিংদু হৌজিকমক ‘মীতৈ লিপুন’ হায়না নৌহৌননা খঙনরিবসিনি। মরম অদুনা (১) অরাম্বাই তেঙ্গোল (২) মীতৈ লিপুন হায়না খঙনরিবা মণিপুরগী য়েলহৌঙৈ মতমগী য়েলহৌমীশিংগী অপূনবা পাঙ্গল শাগৎলিবা মপারি মমোম অথৌবশিং লৈরিঙৈদা মণিপুর অসিবু মুল্লগদৌবা কনানো? ম্যান্মারগা ঙমখৈ তাইনরিবা ঐখোয়গী মোরে অসি কুকিশিংনা য়াম্না হৈশিংনা নাগা অমসুং মীতৈশিংবু মাঙজেনিনা নমদুনা তাম্থোরক্লগা মখোয়গী ষ্ট্রেটেজিগী মনুংদা অকনবা লানফম ওইরক্লবা থৌরাংলিবসি নমখাইগদৌবনি। মোরে লমদমবু কুকিশিংনা মখোয়গী খূবাম্নুংদা থম্ননবা অদুমক হোৎনরকখিগনি হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা মুন্না খঙজিনগদৌবনি অমসুং মোরে অসি লৈঙাক্লা চূপ্পি পায়গদৌবনি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী মফম খরদা কোংগ্রেস লৈঙাক্তগী বি জে পিনা মুনখিবগী হরাও নুঙাইবা ফোঙদোক্লিঙৈদা মতাং মতম চাদনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী এম পি অনীগী ভোট খোম্বগুম থোকখিবা তানফম মরক্তা মীতৈ অথৌবা ১৩গী পূন্সি পিখম্নখ্রেদনা। রাজনিতি পাম্বশিংগী রাজনিতিদি মফম মতম্না অদুমক পুরক্কনি, ওনরেবল সী এম বিরনগুম্বা লুচিংবা কয়া কয়া মণিপুরী খুন্নাইদা য়াওরিবনি, রাজনিতিদি কোন্না তৌসি। লুম্ফু হৈবা কুকি কম্যুনিতিনা চহী ২০/৩০ চঙনা য়াম্না চেকশিন্না শেমগৎ শাগৎলকপা মখোয়গী লালহৌ ওইখিবনা (পোপীদগী লাকখিবা শেনফমশিংনা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পৈশিনখিবা) মখোয়গা লমচৎ-শাজৎ মান্নবা ম্যান্মারগী কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিংগা মপাং (ঙাই-শেন) ওইনখিবনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ঙকচাও থেকচরিবনি। ঐখোয়গীদি কুকিশিংনা লান্দারক্লিবা থা ৭ লোম অসিগী মনুংদা থা ২/৩দংগী মনুংদা তাশিন খোমজিন্দুনা মণিপুর ইরমদম/ইরৈবাক কন্ননবা শরি ৱাশক্লবনি। হৌজিক্তি কুকিশিংনা হাইগৎলম্বা মঙক লৈথেক্কদৌবদা মঙাইরে। মতম্না অদুমক পুরক্লগনি। ঐখোয়না চেকশিনগদৌবদি ম্যান্মারগী শোকচিল্লক্লিবা ফীভমসিদা নোংমা নোংমগী রিফ্যুজি মশীং ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলক্লিবা/চেনশিল্লক্লিবসি করম্না পল ঙাক্কনি? মসি মণপুর লৈঙাক্লা খঙগদৌবনি, ঙাক্কদৌবনি। কুকি লুচিংবশিংনা মমাঙ মতমদা চঙলকখিবা ম্যান্মারগী রিফ্যুজিশিংবু মখোয়গী ভোট বেঙ্ক ওন্থোকখিবগুম, হৌজিকমক মণিপুরগী কাচিন কোয়াদা লোন্না চঙশিনখ্রিবা রিফ্যুজি পূম্নমক মখোয়গী ভোট বেঙ্ক ওইননবা ভোটর লিষ্টতা হাপ্লক্কদৌরিবনি। ভোটর লিষ্টতা মমিং চনখ্রবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মীতৈ কম্যুনিতিনা মাইনোরিটি তাদুনা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি মাঙখিবা তাবনি। মতম লৈরিঙৈদা ঐখোয় পূম্নমক্না ঐখোয়গী আইদেন্টিটি মাঙখিদনবা হোৎনহৌসি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯**

১) **‘‘গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্’’** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?
২) **‘‘মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল’’** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৩) **‘‘এংগল্ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা**
**নঙগী শক্তম্শিংনা অৱাঙ্বা কলাগী**
**খূদোল্ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি**
**মালেম্গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।’’** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৪) **‘‘মল্লবা খাঙপোকশঙ’’**হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো?
৫) **‘‘নুপী অমসুং মমিশিং’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।